ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

PRIDE MONTH

অক্টোবর ২৩, ২০২০দা নেসনল হায়ৱে -২ পরিংগী খোঙনেম থানা ভিলেজদা থোকখিবা লেন্দম্লাইদতগী হায়ৱে অসিগী অনৌবা রোদ এলাইনমেন্টনা শোকহল্লবশিংদা পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়না মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা থাজবা পীখিবা

রিক্সো দ্রাইভরশিংদা চান-থক্লবা তেংবাঙখ্রে
☛ লামায় ২

থোংজুগী লৌমীশিংগীদমক ৱাটর পম্প পীখ্রে
☛ লামায় ৩

শুমাং লীলা 'কেদৌবৈ কিদোইনো' গী ফুল রিহার্সেল পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৫

মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকপা হৌখ্রে
☛ লামায় ৬

ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি, ইম্ফাল ইষ্ট ব্রাঞ্চনা ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন দিপার্টমেন্ট জেনিমসকা খুৎশম্নরগা ৱর্ল্দ ব্লদ দোনর্স ডে সেলেব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা জেনিমসতা পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন্দা শরুক য়াখিবশিংদা ফেস মাস্ক খুৎশিন্নবা

Vol. 45, Issue No. 095 | য়ূমশকৈশা, ইঙাগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, June 30, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : ওল এসেম্ব্লি রোদকী মণিপুর হিন্দি পরিষদকী কমপ্লেক্সতা লৈরিবা মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী ফাউন্দর মেম্বর অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা কোংগ্রাইলাৎপম কান্তনা উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ূমদা থা অসিগী ২৬তা লৈখিদবদা সোসাইটি অসিগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম কিরনকুমার অমসুং মেম্বরশিংনা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিখ্রে হায়রি।

## অথুবা মতমদা কম্পেন্সেসন পীরগনি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস): সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী খোঙনেম থানাদা হৌখিবা কুমজা ২০২০দা লেন্দম্লাইদ থোক্তুনা নেসনল হায়ৱে-২ পরিংদা শোকহনখিবা শরুক অদুগী মহুত্তা নেসনল হায়ৱে অসিগী পরিংদা শোকহন্দনবগীদমক অনৌবা রোদ এলাইনমেন্ট শেন্লকপদা শোকপা ইমুংশিংদা অথুবা মতমদা পীফম থোকপা কম্পেন্সেসনগী শেনফম পীথোক্লগনি।

ৱাফম অসি ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বাজিৎনা ঙসি মফম অসিদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনবদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## গ্রো মণিপুর টিম অথিংবা লৈরগনি : পি দল্লিয়ু জি

ইম্ফাল, জুন ২৯ : ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা মশীং থিঙমদ্রবা কেপিটেলিজম্বু শৌগৎপা বুর্জুৱা কাঙলুপ মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্তুনা ঐখোয়গী লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংনা নম্লা লৈবা লমদম অসিদসু শূদনা শেল তান্নীংবগী ইথিল অমা পীদুনা মীওই খুজোক খরনা মখোয় মখোয়গী নুংঙাইনবগীদমক চমজরবা মীওইশিংবুসু বুর্জুৱাশিং হায়বা ৱার্কিং ক্লাসশিংবু য়েক্লবা কাঙলূপ অসিদা ওন্থোক্লবা হোৎনবা লেপত্রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.০৭ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৮৭ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৪৯
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

### HL Poll

Q: Yamna kanna hotnarabasu Covid positive hengatlakpa amasung shibasu leptribasi leingakki maikeida ahoba leibadagi oigadouribra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

### NGARANG GI RESULT

Q: Olympicsta medal fanglaklaga selgi mana pigani haibagumna playersinggi trainingdasu pukning thougatpiramladi henna kannaroidra?

Yes 82% No 18%

### অস! লোইরেহে!

- থবক ওইনা তৌবীরো,
লাউথোকপদংদি কান্নদ্রে, সর।

- ꯊꯕꯛ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯇꯧꯕꯤꯔꯣ, ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯄꯗꯪꯗꯤ ꯀꯥꯟꯅꯗ꯭ꯔꯦ, ꯁꯔ॥



- ঐদি খরা লাউথোক্কল্লি, অদুনবু
লাউথোকসনা হায়না খঙনরিবনি।

- ꯑꯩꯗꯤ ꯈꯔꯥ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯀꯜꯂꯤ, ꯑꯗꯨꯅꯕꯨ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯁꯅꯥ ꯍꯥꯏꯅꯥ ꯈꯪꯅꯔꯤꯕꯅꯤ॥

# পুলিস আই ওশিংগী ইনভেষ্টিগেসনগী রিফ্রেসর কোর্স পাঙথোক্লবা কোর্টনা দি জি পিদা খঙহনখ্রে

পুলিসনা ওন্ন-তৈননা ইনভেষ্টিগেসন চঙখবদগী নুপী ১ মখৌরি মেৎলগা হাৎপনি হায়দুনা শিখিবগী কেসতা চেন্নবা অসাম রাইফলস পর্সনেল ওইবা মপুরোইবা কোর্টনা এক্যুইট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : ঙসিদগীনা চহী ১৩ রোমগী মমাঙদা কৈথেলমানবীদা লৈবা হেদ ক্বার্টর ৯-সেক্টর অসাম রাইফলসকী কেম্পসতা লৈবা ক্বার্টর অমদা এ আরগী পর্সনেল অমনা মতমদুদা চহী ৩০ খক্তা ঙাইরিবী মচা অনী লৈরবী মহাক্কী লোয়নবীবু মখৌরি মেৎতুনা হাৎপনি হায়দুনা শিখিবা থৌদোক্কী কেসতা পুলিসকী মায়কৈদগী চঙখিবা ওন্ন-তৈনবা ইনভেষ্টিগেসন্দগী কোর্টনা চেন্নরিবা মপুরোইবদু কেস অসিদগী এক্যুইট তৌখিবগা লোয়ননা দি জি পি, মণিপুরদা পুলিসকী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও) শিংগী রেগ্যুলর রিফ্রেসর কোর্সশিং পাঙথোক্লবা খঙহনখ্রে।

থৌদোক অসিগী কেসকী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসি ঙরাং উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট এ গুনেশ্বরনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি। কেস অসিগী অরোইবা হিয়ারিংনা থা অসিগী ১৭তা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু ঙরাং লাউথোকখিবনি।

মশামক্কী নুপীবু মখৌরি মেৎতুনা হাৎখিবনি হায়বগী চার্জদা ফাদুনা ঙরাং ফাওবা মণিপুর সেন্ত্রেল জেল শজিৱাদা থম্লকখিবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল অদুগী মমিং কেৱল, অপোকপা লৈখিদ্রবা ওম প্রকাস কৌই। হিমাচল প্রদেশকী নুরপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চৌপি ভিলেজদগীনি।

থৌদোক অসি অক্টোবর ১১, ২০০৮গী নুমিদাংদা থোকখিবনি। থৌদোকসিদা চেন্নরিবা মপুরোইবা অসিনা নুমিৎতুগী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা মশাগী দ্যুটি লোইরদুনা ক্বার্টরদা হল্লক্লগা মহাক্কী নুপীদা য়ু পীননবা হায়খিবনি। মতমদুদা মহাক্কী লৈখিদ্রবী লোয়নবী সরিতা (৩০) অপোকপা জগদেশচন্দ্র, ক্রারগা রোদ (হিমাচল প্রদেশ) তা লৈবনা রম (কোন্টেন্সা) পেক ৩/৪ ষ্টিল গ্লাস অমদা হাপ্তুনা পীরগা পীথক্লবা মতুংদা অমুক্কসু য়ু পীরকখো হায়রকপদগী মখোয় অনীগী মরক্তা চিন্দা-পাওদানদুনা খৎনরকখিবনি হায়রি।

পুং খরা কান্নরবা মতুংদা এ আরগী পর্সনেল অসিনা মহাক্কী লৈখিদ্রবী নুপী অসি বেদরুমদা হঙ্গামপাল মচুগী ফি অমনা শিল্লিং ফেন্দগী থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে হায়দুনা থংনবদা লৈবা মীওইশিংদা হায়খিবনি। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা হেদ ক্বার্টর ৯-সেক্টর এ আরগী মায়কৈদগী নাইব সুবেদার রাজেন্দ্র প্রসাদ কৌবা অমনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন্দা মথংগী নুমিৎ ওক্টোবর ১২, ২০০৮গী অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা রিপোর্ট তৌরকখিবনি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না পাৎশোই পুলিসনা অননেচরেল দেথ (য়ু দি) কেস নম্বর ২/পাৎশোই পি এস/২০০৮ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুমকপু লৈখিদ্রবী নুপী অদু থৌরি য়ানবা নত্তবা অতোপ্পা মহাকপু তাথী-তাওইনা তৌবা অমদি

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা ইল্লিগেল এনক্রোচর

# হায়ৱে মপান নক্লা দুকানশিং শাজিন্নরকপনা এক্সিদেন্ট হেন্না থোক্লে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : নেসনল হায়ৱে অমসু ওইরক্লবা ইম্ফাল-উখুল লম্বীগী মতাইদা ইল্লিগেল ওইনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী দুকানশিং শাজিন্নরকপনা লম্বী চৎথোক-চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবগা লোয়ননা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা অশী-অনা তোয়না থোক্লে। মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়বা মায়কৈ অসোমদা খুন্দারিবা মীওই কয়ানা ফোঙদোক্নরক্লি।

নেসনল হায়ৱে এক্ট, ১৯৫৬কী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা নেসনল হায়ৱেশিংগী নাক য়েৎতা করিগুম্বা মখল অমত্তগী লম খোপচিন্দুনা দুকানশিং শাজিনবা, খাঙপোকশঙ শাদুনা পোৎ য়োনবা অমদি লম্বীগী মতাইদা লৈরিবা দুকানশিংগী শীজিন্নদ্রবা পোৎলমশিং থমজিনবদা অথিংবা থল্লি। লোয়ননা এক্ট অসিগী মতুংইন্না নেসনল হায়ৱে লম্বীগী ময়াইদগী নাক-য়েৎতা মিটর ৭৫ পাক চাওবা ফাওবগী মনুংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী দুকানশিং, য়ুম্নচিংবা শাজিনবা য়াদে। করিগুম্বা তঙাইফদনা চাওখৎ-থৌরাংগী মনুংচন্না করিগুম্বা থবক খরা পায়খৎনীংলবসু মিনিষ্ট্রি ওফ হায়ৱেজ অমদি নেসনল হায়ৱেজ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদগী অয়াবা লৌগদবনি। করিগুম্বা অয়াবা লৌদনা শাজিল্লম্বা য়াওরবদি মদুবু মতম অমদা হেক্তা এক্ট অসিনা পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না থুগায়দুনা তকথোকপা য়াই। অদুবু লমদম অসিগী হায়ৱেশিংগী নাক-য়েৎতদি য়েংশিনবিনবা লৈতবগুম্না মনিং তম্না মখল-মখা কয়াগী দুকানশিং শাজিনবা, দুকান মমাংদা পোৎচৈ কয়া থমজিনবা অমদি শম্বল খাজিন্দুনা এঞ্জাং-নাপী থাজিনবগী চৎনবী অমা চাওনা উবা ফংলি।

নেসনল হায়ৱে ২০২ ইম্ফাল-উখুল লম্বীগী মতাইদা লৈরিবা অয়াম্বা মফমশিংদা মরুওইনা তেলিপতিদগী শওম্বুং ফাওবগী লম্বীদা তোঙান-তোঙানবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়োনবা দুকানশিং শাজিল্লকপা, ৱার্কশোপ দুকানশিংগী মমাংদা য়াদ্রবা অচৌবা মখোঙ মরি পানবা গাড়ী কয়া খামজিন্দুনা থম্বা, লম্বী অসিগী কোয়লাস থারিবা নাক-য়েৎতা খম থেংনা নুং-লৈঙোই পৈশিল্লকপা অমদি লম্বী মতাই শোক্তুনা শম্বল খাজিন্দুনা লৈ অমদি এঞ্জাং-নাপীনচিংবা থাজিন্নরকপশিং অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী অসিদা গাড়ী অনী থৈনবা মতমদা ফাওবা কয়ারক হন্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লোয়ননা লম্লাই কৈথেলদগী য়াইঙংপোকপী তাবা ফাওবগী লম্বীদসু হায়রিবা তোঙান-তোঙানবা শা ককপগী দুকান হাংদোক্লরকপা, হোটেল শাজিল্লকপনা লম্বী অসিদা গাড়ী থৈদোক-থৈজিন তৌবদা থেংজিন্নবগী থৌদোক তত্তনা থোক্লে। মরম অদুনা মতম লৈরিঙৈদা অমসুং থোকহন্নীংদবা এক্সিদেন্টশিং থোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা মরি লৈনবশিংনা নেসনল হায়ৱে অমসু ওইরক্লবা ইম্ফাল-উখুল লম্বীগী মতাইদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মখল কয়াগী দুকানশিং শাজিনবা অসি য়েংশিলহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লি।

যুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারি জুলাই থাগী অহানবা চয়োলদা মণিপুরদা লাক্লবা য়াই

## সেন্টরনা মণিপুরগী লম্বী-থোং শেমগৎপদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি : ডা. শম্বিট পাত্রা

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মখাদা ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারি জুলাই থাগী অহানবা চয়োলদা মণিপুরদা লাক্লবা য়াই হায়রি।

বি জে পি নেসনল স্পোক্সপর্সন অমসুং মণিপুরগী ইন-চার্জ ডা. শম্বিট পাত্রানা ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারি উনদুনা মণিপুরগী খোঙচৎকী মাঙওইননা ষ্টেট অসিগী লম্বী-থোং শেমগৎ-শাগৎপদা অৱাৎ-অপাশিং মতেং পাংবীনবা হায়জখ্রে। তুংদা বি জে পিগী মণিপুর ইন-চার্জ ডা. শম্বিট পত্রানা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক্লা মণিপুরনা পায়খৎলিবা লম্বী-থোং শেম্বগী প্রোজেক্টশিং খুম্মাং চাউশিন্না লোইশিন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। প্রোজেক্টশিং অপীবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্ননবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক অসিদা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

## কোভিদ টেষ্টকী রিজল্ট ঙাইরিঙৈদা পেসেন্ট শিরে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : মশাগী অনাবা অমদগী থা অসিগী ২৭কী অহিংদা ৱাঙুগী পি ঐচ সীদা পুখৎলুরগা জেনিমসতা রিফর তৌরকপদগী লায়েংনবগীদমক কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌখিবগী রিজল্ট ঙাইদুনা লৈরকখিবী নুপী অমা হোস্পিটাল অসিদা লৈখিদ্রে হায়রি। ঙসি জেনিমসতা লৈখিদ্রবা পেসেন্ট অদুগী মমিং কে ঐচ য়াইমা, মপুরোইবা কে ঐচ আনন্দ কৌই। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাঙু নোংয়াইখোংদগীনি হায়রি। থৌদোকসি ডাক্টরশিংনা লৈখিদ্রবীবু ৱার্দতা পুশিন্দুনা য়েংবীখিদবদগী থোক্পনি হায়দুনা লৈখিদ্রবীগী মৌপ্পানা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

## হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

COVID-19 VACCINATION
on 29th June 2021
Orgd. by HIGH COURT BAR ASSOCIATION OF MANIPUR
at the High Court of Manipur

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : হায় কোর্ট বার এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নামোইজম ইবোতোম্বী, সিনিয়র কাউন্সেলনা লুচিংদুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তারকপদগী হৌরদুনা ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মাস ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিদা কোর্ট অসিগী লৈরিবা ষ্টাফশিংগী মনুংদগী মীওই ২০০ রোমদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখি। ভেক্সিন কাপথোকখ্রবশিং অদুগী মনুংদা ফর্ষ্ট অমসুং সেকেন্দ দোজ কাপথোকপসু য়াওখি।

## এফ সী আইগী চেঙ হাপ্পা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীগী মরক্তা শকখঙদবশিংনা দ্রাইভরশিংদগী চহীগী ওইনা শেল লৌদুনা লাকপগী মথক্তা থা ২/৩ লোমগী মমাঙদগী গোদাওন টেক্সনি হায়দুনা লুপা লিশীং ২ অমসুং গেট পাসনি হায়দুনা লুপা ৫০০ লৌরকপগী মায়োক্তা লৈঙাক্তা অইবা চে পীশিনখ্রবসু লৌফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্তবদগী ঙসি অয়ূক্তগী জিরিবামদা লৈরিবা ত্রক দ্রাইভরশিংনা এফ সী আইগী পোৎশিং হাপ্পা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

থৌওং অসিগী মায়োক্তা ওল জিরিবাম

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## ফেসবুক্তা খঙনরগা মখূৎ শাংলুবা ১ পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : মশাগী চহী ২২ রোম শুরবী লৈশাবী অমবু ফেসবুক্তা থাসিগী ১৯দা খঙনরগা নুমিৎ ৬নি শুরকপা থা অসিগী ২৪গী অয়ূক্তা উন্দুনা কার (অলটো) অমদা হাপ্তুনা চূড়াচান্দপুর রোমদা পুরগা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা য়াইরিপোক পি এসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফারে। ফারবা মীওই অদুগী মমিং ইরোম চীংখৈঙানবা (২৬) অপোকপা আই ব্রোজেন কৌই। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তাংজেং খুনৌদগীনি। মহাক্লা লৈশাবী অসিগী ফোন অমসুং সনা লৌহৈরগা কৈশাম্পাৎকী মফম অমদা থাদোক্লম্বনি হায়রি।

## ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমগী ৱাকৎ ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা খন্নরগনি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : তোঙান-তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংগী মনুংদা ইম্ফাল, থৌবাল, পোরোম্পাৎ অমসুং ককচীং পি এসনা লৌখৎখিবা কেস মরিগা মরী লৈননা ফাজিনখিবা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী লৈচোম্বম ইরেন্দ্রো (৪০) অপোকপা এল রঘুমনিবু মে ১৭, ২০২১দা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টনা নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ) দা দিটেন তৌখিবগী মায়োক্তা মহাক্কী অপোকপা মপা এল রঘুমনিনা পিটিস্নর ওইদুনা দিটেন্সন অসিবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা রিট পিটিসন (ক্রিমিনেল) নম্বর ২৬৬ ওফ ২০২১ অদু হয়েং এপেক্স কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস এ এস বোপান্না অমসুং জষ্টিস রিসিকেস রোয়গী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নগদৌরি।

অমরোমদা মে ১৭, ২০২১দা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টনা থোকখিবা অতোপ্পা ওর্দর অমনা এন এস এদা দিটেন তৌদুনা থম্লক্লিবা কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক্তগী ৱাংখেমচা ৱাংথোই এলিয়জ কিশোরচন্দ্র (৪১) অপোকপা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু বিরেন্দ্রগী মায়কৈদগীসু মহাক্কী দিটেন্সনবু শিংনদুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমদি সুপ্রিম কোর্টকী ভেকেসন সিটিং অমদা লৌখৎতুনা খন্নখিবগা লোয়ননা পিটিসন অদুগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রবনি।

## পোজিটিভ কেস ৭৮০ থেংনখি, মীওই ১১ লৈখিদে, হীদাক কাপথোকখিবা অপূনবা মীশিং ৫,৪৮,৯১৬ শুখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টকী কোভিদ-১৯ কন্ত্রোল রুমনা নুমিৎ খুদিংগী থোকখিবা চেরোলগী মতুংইন্না ঙরাংগী ওইনা পোজিটিভ কেস ৪৩২ খক্তমক থেংনরগা মীওই ৬ খক্তমক লৈখিদে হায়রবসু ঙসিগী ওইনদি পোজিটিভ কেস মশীং ৭৮০ থেংনরগা মীওই ১১ লৈখিদ্রে হায়রি। অদুবু ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীশিংনা ৫,৪৮,৯১৬ শুরে হায়রি।

ঙসি নুংথিল কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমদগী থোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৭৮০ অদুগী মনুংদা ২না সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিংনি অদুগা লেমহৌরিবা ৭৭৮না জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনি। মসিগী মনুংদা নুপা ৪০২নি অদুগা নুপীনা ৩৭৬নি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিমস ৭, জেনিমস ১০৫, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং ৪৯৬ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস মশীং ১৭২ থেংনবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট ১৬০, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২০১, থৌবাল ১২০, বিষ্ণুপুর ৫৮, ককচীং ৪৫, উখুল ৭, চুড়াচান্দপুর ১৫৩, চান্দেল ৩, সেনাপতি ৩, তেংনৌপল ৮, জিরিবাম ২, কামজোং ৩, নোনে ১১, ফেরজোল ১ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৩নি হায়রি।

মখোয়গীদমক্তগা লৌখৎফম থোকপা মাঙজৌনবা মেদিকেলগী চেকশিন

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কুম্বীগী লৌকোনশিংগী লৌ পরি ৭০০ লোম লৈকংলা ওল্লে

**বিজয় লাইশ্রম**

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী মনুংদা চহী খুদিংগী ফৌ খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কুম্বী এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা লৌ পরি ৭০০ লোমগী ওইগদবা লৌকোনশিংগী লৌবুকশিং লৈকংলা ওল্লে।

ফীভম অসি হৌজিক নোংজু থা হৌগৎলকপা মে অমসুং জুন থা লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা নোং চুবগী চাং য়াম্না নেম্বগী মথক্তা লৌকোনশিং অসিগীদমক্তা ঈথৈ লৌখোং লৈতবা অমদি লৈনুংদগী হুৎতুনা ট্যুব ৱেলদগী ঈশিং চীংখৎপগী চাংসু য়াম্না ৱাৎপদগী হায়রিবা লৌবুকশিং অসি লৈকংলা ওল্লকপনি। ওইরক্লিবা ফীভমসিদা লৌকোনশিং অসিগী লৌমীশিং খম থেংনা মীপাইবা পোক্লে।

ঈশিং মরীক অমত্তা লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা কুম্বী এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা লৌকোনশিং অসিগী মতাংদা ৱাঙু তেরাখাদগী অমোম জিতেন কৌবা লৌমী অমনা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা চুফম থোকপা নোংগী চাং য়ৌনা চুরক্তবদগী কুম্বী এ সীগী মনুং চল্লিবা লৌ পরি ২৫০ রোম কোনশিল্লিবা ফাম্মম লৌকোন, লৌ পরি ১০০ রোমগী লৌকোন ওইরিবা খজিকংখোম্বী লৌকোন, লৌ পরি ১৫০ রোম লৈরিবা শমদেন লৌকোন, লৌ পরি ১০০ রোম লৈরিবা বোরায়াংবী মনিং লৌকোন অমদি লৌ পরি ১০০/১০০ রোমগী চাংদা লৈরিবা শামু লমলান অমদি বোরায়াংবী লৌকোন অমসুং কুম্বী হাওতক লৌকোনগী লৌফম পূম্নমক ঈশিং লৈতবদগী লৌ পানবা য়াদনা লৈরে।

খুগা তুরেল অমদি মণিপুর রিভরদগী কেনেল চাওনা তৌরগা হায়রিবা লৌকোনশিং অসিদা কুম্বী কালেন নাইদনা ঈশিং ফংহল্লবদি লৌকোনশিং অসি ফৌ খক্তা নত্তনা লৌ লোকখ্রবা মতুংদসু মতম মতমগী ওইবা মহৈ-মরোংশিংসু মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি। অদুবু লৌবুকশিং অসিদা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা অসি ফংদবা মরম্না লৌ লোকপা লোইরবা মতুংদসু মহৈ-মরোংশিং থাবা য়াদবদগী মফমশিং অসিগী নুপা ওইবশিংনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী য়াওনা জুলাই ১দগী ওনলাইন ক্লাস পূম্নমক লেপ্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : মথং থাগী ১দগী হৌনা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী য়াওনা গভর্ণমেন্ট কোলেজশিংগী ওনলাইন ক্লাস অমদি এগজামিনেসন পূম্নমক লেপ্পনবা ফেদরেসন ওফ গভর্ণমেন্ট কোলেজ টিচরস এসোসিএসন (ফেগোক্টা), মণিপুরনা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

ৱাফম অসি ফেগোক্টাগী মীদিয়া এন্দ পব্লিসিটি কম্মিটিগী কনভিনরনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, ওনলাইন ক্লাস অমদি এগজামিনেসনশিং লেপ্নবগী ৱারেপ অসি নেসনল পোলিসি ওইরিবা তরেৎশুবা য়ু জি সী পে অমদি রেগ্যুলেসন্স, ২০১৮গী ওর্দর অসি জুন ৩০ ফাওবগী মনুংদা থোক্ত্রবদি হায়রিবা ৱারেপ অসি থবক ওইনা চথরগনি হায়রি।

ওর্দর অসি গভর্ণমেন্টকা ফেগোক্টাগা মার্চ ৬, ২০২১দা য়ানখিবা এম ও য়ুগী মতুংইন্না ওইগদবনি। মচেৎকী ওইবা ওর্দরদি য়াবা ঙল্লোই। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি চীফ সেক্রেটরিনচিংবদা ওর্দর অসি জুন ৩০ ফাওবদা থোক্ত্রগদি খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়না জুন ২১, ২০২১দা অইবা চেরোল পীশিনখিবা লৈখ্রে হায়রি।

ৱারেপ অসি জুন ২৮, ২০২১দা পাঙথোকখিবা ফেগোক্টাগী ইমর্জেন্সি জেনরেল বোদি মীটিংদা লৌখিবনি। জি বি এম অদু ওনলাইনগী খুৎথাংদা টিচমিন্ট অমদি ঝুম মীটিং লিঙ্ক অনীদা পাঙথোকখিবনি। জি বি এমনা জুলাই ১দগী থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং খুদিংমক এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা লুচিংবা হায়র এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা লৌগদবনি হায়নসু ৱারেপ লৌখি। মার্চ ৬, ২০২১গী এম ও য়ু অদুগী মতুংইন্না ৭শুবা য়ু জি সী পেগী কেস পেমেন্ট অসি জুলাই ২০২১দগী হৌগদবনি। অদুনা জুন ৩০গী মমাঙদা ওর্দর থোক্কদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, জি বি এমনা নবেম্বর ২, ২০১৭তগী লৈখ্রবা য়ু জি সীগী নেসনল পোলিসি অসি

...মখা লামায় ৩ কলম ৭